# ‘তৃনামুলনা অমুক হন্না লৈঙাক পায়বা ঙম্লবদি য়ুমথোং খুদিংদা লেম্না চেঙ ফঙহনগনি’



পুরুলিয়া, মার্চ ১৫ (এজেন্সী) : ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মনুং চনবা পুরুলিয়াদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মহাক্কী পার্টিনা অমুক হন্না বেঙ্গলদা লৈঙাক পায়বা ঙম্লবদি য়ুমথোং খুদিংদা চানবা চেঙ লেম্না ফঙহনগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

বেঙ্গলদা তৃনামুল কোংগ্রেসকী লৈঙাক অমুক হন্না লাক্কনি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। তৃনামুলনা লৈঙাক পায়রিবা মখৈ বেঙ্গলগী য়ুমথোং খুদিংদা লেম্না চেঙ ফঙহনগনি। মীয়াম্না মে থাগী মতুংদগীদি দুকানদা চত্তুনা চেঙ লৌবগী মথৌ তাররোই।

হৌজিক লৈরিবা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা বজেট মীফমদা বেঙ্গলদা লৈরিবা লুখ্রাবী খুদিংমক্তা লুপা লীশিং ১/১ পীনবা ফিরেপ লৌখ্রে। অমদি মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা ট্রাইবেলশিংদা পেন্সন ওইনা লুপা লীশিং ২/২ পীবদসু মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা য়াখ্রে হায়রি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা ট্রাইবেলশিংগী লমগী হক মাঙহন্দনা থল্লিবা অসি বেঙ্গল খক্তনি। বি জে পিনা বেঙ্গলদা শক্তি পায়নবা হোৎনরিবা অসি মায় পাকপা ঙম্লোই। নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না মীপুম খুদিংমক্কী একাউন্টদা লুপা লাক্ষ ১৫/১৫ চঙহল্লক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম মীয়াম্না কাওরোইদবনি।

বি জে পিদি চিনগা খুৎকা মান্নদবা পার্টিনি। বেঙ্গলগী মীয়াম্বু পৈশানা লৈবা য়ারোই হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহনবগী মতম ওইরে। মীয়ামগী য়াইফনবতা তৌগনি হায়না কয়ারক হন্না লাউখিবা বি জে পি লৈঙাক্কী মতমদা লৈবাক অসিদা পেট্রোল, দিজল অমসুং কুক্কিং গ্যাসকী মমল অঙকপা ফংনা ৱাংলে। মসিনা মরম ওইরগা নোংমগী খুৎশুমন তাল্লগা হিংলিবা মীওই কয়াদা অৱা চৈথেং পীরি।

বি জে পি পার্টিনা পৈশা কা হেন্না পায়রক্লিবা অসি মীয়াম্না ৱাহং হংফম থোকই। তেনখ্রবা মতম খরদা বি জে পি পৈশা য়াম্না পায়বা পার্টি অমা ওইরক্লি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি গভর্ণমেন্ট বেঙ্ক কয়া শেঞ্জাও পায়বশিংদা মহাক্না য়োন্থোকপদগীনি হায়রি।

# বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা ঙম্লবদি বেঙ্গলদা লুপা ক্রোর লাক্ষ ১ গী প্রোজেক্ট পায়খৎকনি: নিটিন



ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৫ (এজেন্সী) : ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি) না বেঙ্গলদা লৈঙাক পায়বা ঙম্লবদি ষ্টেট অদুদা লুপা ক্রোর লাক্ষ ১ গী প্রোজেক্ট পায়খৎকনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গাদকারিনা ফোঙদোরক্লি।

বেঙ্গলগী অয়াম্বা লম্বী থোংগী ফীভম শোকচিল্লক্লে। বেঙ্গলদা লৈঙাক পায়রিবা মমতা বেনর্জি গভর্ণমেন্টনা চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক অমত্তা পায়খত্তনা লৈরি। বি জে পিনা ষ্টেট অদুদা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা শেম শাদুনা লৈরি। অদুবু নাকল কয়াদগী অয়েৎপা পীরকপনা থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙমদবনি।

রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরিবা নিটিন গাদকারিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সেন্তরদা বি জে পিগী লৈঙাক অমুক হল্লকপা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। বেঙ্গলদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা ঙম্লবদি সেন্তর অমসুং ষ্টেট অনী খুৎশম্নদুনা বেঙ্গলবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙমগনি।

লাক্কদৌরিবা বেঙ্গল এসেমব্লি ইলেক্সনদা বে জে পিনা চাওনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। বেঙ্গল ইলেক্সনগী মাঙওইননা বেঙ্গলগী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসল লৌথোকখিবা অদু বি জে পিননি হায়না ষ্টেট অদুদা লৈঙাক পায়রিবা তৃনামুলনা মরাল শীরক্লি।

তৃনামুলনা পার্টি অসিদা শীরক্লিবা মরাল অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি। বি জে পি লৈঙাক্না মীয়ামগী অপান্বগী মায়োক্তা থবক তৌবা লৈতে। ইলেক্সন কম্মিসনগী মখুত্তা হৌজিক্তি খুদিংমক তাদুনা লৈরবনি। মসিদা পার্টি অসিগা পুলিস চীফ লৌথোকখিবগা মরী লৈনহল্লকপা অসি লাইবকথিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা নন্দিগ্রামদা মমতা বেনজিগী মথক্তা থোকখিবা থৌদোক অদু এক্সিদেন্টনি। কনাগুম্বা অমত্তনা থৌওং অদু খুজিন থৌরাং তৌরগা চথহনখিবা নত্তে। থৌদোক অদু মীয়াম্না পোলিটিসাইজ তৌফম থোক্তে। বেঙ্গলদা হৌজিক হৌজিক মায়কৈ অহুমদগী লম্বা তৌনগদৌরি।

তৃনামুল কোংগ্রেস, বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস-লেফ এলায়েন্সকী মরক্তা অচৌবা লাল অমা শোক্লগদৌরি। মেম্বর ২৯৪ লৈবা ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লিগী মীখল তাঙ্কক ৮ থোক্না পাঙথোক্কদৌরি। মার্চ ২৭ তগী হৌরগা এপ্রিল ২৯ ফাওবা ইলেক্সন পাঙথোক্কনি। মদুগী মতুং মে ২ দা ভোট মশীং থিবা হৌগনি।

বেঙ্গলদা বি জে পিনা মায় পাক্লবদি বেঙ্গলগী মীয়াম্বু পৈশানা অমদি শক্তিনা লৈবনি হায়না তৃনামুলনা মরাল শীগদবগী ঙাইদুনা লৈরিবা অসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। বেঙ্গলদা বি জে পিনা মশীং য়াম্না কাগনি হায়বা খঙবদগী বেনর্জিনা হৌজিক হৌজিক ফত্তা লৌশিং কয়া তৌবা হৌরক্লি হায়না লুচিংবা অসিনা মখা তাখি।

# দেল্লীগী মীয়াম্না ঈশিংগী অৱাবা থেংনরবা য়ানা লৈরে: হেল্থ মিনিষ্টর সটেন্দ্র জেন

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৫ (এজেন্সী) : পঞ্জাবতা লৈবা ভক্রাদাম থিংজিনখিগদবনা মরম ওইরগা দেল্লীদা লৈরিবা মীয়াম্না ঈশিংগী অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্নরবা য়ানা লৈরে হায়না হেল্থ মিনিষ্টর সটেন্দ্র জেননা ঙসি ফোঙদোরক্লি।



মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পঞ্জাবতা লৈবা ভক্রাদামদা লাকপা কেনেলগী ঈশিংনা দেল্লীদা চাওনা মতেং পীরম্বনি। পঞ্জাব এদমিনিষ্ট্রেসন্না ভক্রাদামদগী থাদোরক্লিবা কেনেল অদু থিংজিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

দেল্লীদা শীজিন্নরিবা ঈশিংগী চাদা ২৫ দি হায়রিবা কেনেল অসিদগী লাকপনি। দেল্লীদা শীজিন্নরিবা ঈশিং অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লাকপনা মরম ওইরগা পঞ্জাব গভর্ণমেন্টতা হীরম অসিগা মরী লৈননা খঙহনখ্রে।

করিগুম্বা কেনেল অসি থিংজিনখ্রবদি দেল্লীগী মীয়াম ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নগদৌরি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা দেল্লী জল বোর্দনা ফোঙদোকখিবদা ইষ্ট দেল্লীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা ৱাটর সপ্লাইশিং শেম শাবগী থবক কন্না চথরি। ৱাটর সপ্লাইশিং অসি অথুবা মতমদা শেম শাবগী থবক লোইশিল্লগনি।

ইষ্ট দেল্লীগী মনুং চনবা বিকাস কুঞ্জতা লৈবা মীওইশিংনা মফম অদুদা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাইশিংগী মফম কয়াদা চাওনা অহোবা লৈরে। মদুনা মরম ওইরগা নাক য়েত্তা লৈরিবা য়ুমশিংদা ঈশিং চেনশিল্লক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং দেল্লী জল বোর্দনা শেমজিন শাজিনবগী থবক হৌখিবনি।

শেমজিন শাজিনবগী থবক অসিনা ইষ্ট দেল্লীগী শরুক্তা লৈরিবা মীওই কয়াদা হান্নদগী হৌনা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নদুনা লাক্লি। অথুবা মতমদা শেম শাবগী থবক লোয়শিন্নবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২৬,২৯১ থেংনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৫ (এজেন্সী) : হৌখিবা পুং ২৪ দা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২৬,২৯১ থেংনখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা শোকহনখিবা মী মশীং ১,১৩,৮৫,৩৩৯ য়ৌখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী দেটা অমনা ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা পুং ২৪ গী মনুংদা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১১৮ শিহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা শিখিবা অপূনবা মশীং ১,৫৮,৭২৫ য়ৌখ্রে। হায়রিবা দেটা অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮ ফাওবদা ফংখিবনি। হৌখিবা নুমিৎ ৫ নি অসিদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ থুনা য়াংনা শন্দোরকখিবগা লোয়ননা অপূনবা এক্তিভ কেস মশীং ২,১৯,২৬২ য়ৌখ্রে। নুমিৎ ৫ নিগী মমাংদা লৈরম্বা এক্তিভ কেস মশীংগা ঙসি থেংনরিবা এক্তিভ কেস মশীংগা য়াম্না খেন্নরি। মশীং অনী অসি চাংদম্নরুবদা হৌখিবা নুমিৎ ৫ নিদা এক্তিভ কেসকী মশীং চাদা ১.৯৩ হেনগৎলক্লি।

এক্তিভ কেস মশীং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদ কোভিদ-১৯ গী রিকোভরি রেট ৯৬.৬৮ তা হন্থখ্রে হায়না হেল্থ মিনিষ্টরগী দেটা অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা শোকহনখিবা অপূনবা মশীং ১,১৩,৮৫,৩৩৯ গী মনুংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ১,১০,০৭,৩৫২ মপুং ফানা রিকোভর তৌখ্রে। লৈবাক অসিদা লায়চৎ অসিনা মী শিহনবগী চাং চাদা ১.৩৯ ওইরি। ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসার্চকী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ সেম্পল ২২,৭৪,০৭,৪১৩ টেষ্ট তৌখ্রে। মসিগী মনুংদা সেম্পল ৭,০৩,৭৭২ দি নোংমাইজিং নুমিৎ খক্তদা তৌখিবনি।

# লৈখিদ্রবা বি জে পি ৱার্কর ১৩০ গী অপোকপীশিংনা ফাওরিবা চৈনা মমতানা খঙফম থোকই

বনকুরা, মার্চ ১৫ (এজেন্সী) : বেঙ্গলদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন কেম্পেইন অমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ঙসি নন্দিগ্রামদা থোকখিবা থৌদোক অমদা মখোঙদা শোকখিবা বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগী হকচাংগী ফীভম অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অদুদা থোকখিবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা বি জে পিগী ৱার্কর ১৩০ গী অপোকপীশিংদা ফাওরিবা চৈনা তৃনামুলগী লুচিংবী অসিনা খঙফম থোকই হায়না ফোঙদোরক্লি।



মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নন্দিগ্রামদা থোকখিবা থৌদোক অদু বি জে পিননি হায়না তৃনামুলগী লুচিংবা কয়ানা ক্লেম তৌরি। ইলেক্সন কম্মিসন্নদি থৌদোক অদু অতম্নবা মীওই খরনা শীন্দুনা চথখিবা নত্তে। শোয়বদা থোকখিবা থৌদোকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসন্না থৌদোক অদুগী মতাংদা ফোঙদোকখ্রবসু তৃনামুলনা মখা তানা বি জে পিদা মরাল শীনবা হোৎনরি। মমতা বেনর্জিনা হুইল চেয়রদা ফমদুনা ইলেক্সন কেম্পেইন তৌবগী মহুত্তা মশাগী অনাবা হান্না ফগৎহন্নবা হোৎনবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি।

লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনদা ভোট ফংনবগীদমক বেঙ্গলদা তৃনামুলনা পায়খৎলক্লিবা খুজিন থৌরাং অমদি শান্নরিবা দ্রামা মীপুম খুদিংমক্না খঙই। বেঙ্গলদা বি জে পিগী মপাঙ্গল খঙহৌদনা কনখৎলকপা অসিদা তৃনামুলগী লুচিংবী অসি মকোক ঙাওরে। মরম অদুনা শোয়বদা থোকখিবা থৌদোক অমবু অতম্নবা বি জে পিদা থংজিন্নবা হোৎনরি।

বি জে পিনা ঙসি ফাওবদা লৌতুনবা থবক অমত্তা পাঙথোকখিবা লৈতে। অদুবু তৃনামুলনদি বেঙ্গলদা লৈবা বি জে পি ৱার্কর কয়াদা ওৎ নৈবা অমদি হাৎপগী থবক চৎখে হায়না মরাল শীরক্লি।

# বেঙ্গল কন্নবগীদমক ষ্টেট অদুদগী তৃনামুল লৈঙাক ইন্থুবগী মতম ওইরে: স্মৃতি ইরানি

ৱেষ্টমেদিনিপুর, মার্চ ১৫ (এজেন্সী) : থা অসিগী ২৭ তগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা বেঙ্গল এসেমব্লি ইলেক্সনগী রেল্লিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিনা বেঙ্গল কনবা পাল্লবদি ষ্টেট অদুদগী তৃনামুল কোংগ্রেসকী লৈঙাক ইন্থুদুনা করপসন্না হারবা মীওইশিং তান্থোকখিবগী মতম ওইরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

সালবোনিদা পাঙথোকখিবা পব্লিক রেল্লি অমদা মেদিনিপুরদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা সমিট দাসকী ভোট খোল্লদুনা ইরানিনা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বেঙ্গলগীদমক থাদখিবা শেনফম কয়া অরেম্বদা তৃনামুলগী লুচিংবা মমতা বেনর্জিনা মাঙহল্লি। ষ্টেট অদুদা লৈরিবা লায়রবা মীওইশিংনা ফংফম থোকপা চাকথুংশিং ফংহন্দনা থল্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক লাক্লবা মতুং বেঙ্গলগী মীয়ামগীদমক অমদি চাওখৎ থৌরাংগীদমক দেল্লীনা লুপা ক্রোর লাক্ষ মরি কায়থোক্নুনা পীখ্রে। হায়রিবা শেনফমশিং অদুগী মতাংদসু লুচিংবী অসিনা ষ্টেট অদুগী মীয়ামদা খঙহন্দ্রি।

বেঙ্গলদা হৌজিক লৈরিবা তৃনামুল কোংগ্রেসকী লৈঙাক্না লায়রবা কয়াগী হক মৎলি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। বেঙ্গলদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদা বি জে পিনা চাওনা মায় পাক্কনি। লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খ্বাইদগী য়াবা পার্টি অসি বি জে পিনা ওইরি।

বেঙ্গলগী মীয়ামনসু মমতা বেনর্জিনা চথরিবা অরোন অথুপকী থবকশিংসু হৌজিক্তি ময়েক শেংনা খঙলবনিনা ষ্টেট অদুদগী তৃনামুলগী লৈঙাক ইন্থুরবা মতুং বি জে পিগী লৈঙাক লাকহন্নবা হোৎনরি।

বি জে পিনা বেঙ্গলদা লৈঙাক পায়রবদি হৌজিক লৈরিবা করপসনগী থবক থৌওংশিং অতেনবা মতমগী মনুংদা মুথৎপা ঙমগনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা বেঙ্গলগী মীয়াম্না বি জে পি মায় পাকহন্নবা আপীল তৌখি।

# কোংগ্রেস পার্টিনা লৈবাক অসিবু লৈখা তানা মাঙহন্নবা হোৎনরে: সিবরাজ চৌহান

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৫ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী অরিবা পার্টি কোংগ্রেসনা মহত্মা গান্ধীগী লম্বীদা চৎপগী মহুত্তা জিনাগী লম্বীদা চত্তুনা লৈবাক অসিবু মাঙহন্নবা হোৎনরে হায়না মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহাননা ফোঙদোরক্লি।

অসামদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্তা ঙসি পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা রেল্লি অমদা বি জে পিগী সেনিয়র লিদর চৌহাননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেসনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেটশিংবু মাঙহন্নবা হোৎনরে হায়নসু মরাল শীখি।

ইন্দিয়ানা নীং খা তল্লবা মতুং ঙসি ফাওবদা কোংগ্রেস পার্টিনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক অমত্তা পায়খৎপা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরগা মতম কয়াগী মমাংদগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংনা সেন্তরদা ৱারৌদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা কোংগ্রেসনা লৈবাক অসি অচুম্বা লম্বীদা পুরক্নবা হোৎনরম্বা মহাত্মা গান্ধীনা পামজরম্বা লম্বীদা চৎপগী মহুত্তা কোংগ্রেস অমসুং পার্টি অসিগী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা জিনাগী মতুং ইন্না চত্তুনা অসাম অমসুং লৈবাক অসিবু মাঙহন্নবা হোৎনরি।

রাহুল গান্ধীনা লৈবাক অসিবু মচেৎ তানা থুগাইনবা হোৎনরি। লৈবাক অসিদা খুন্দারিবা ফুরুপ কয়াগী মফমদা তোঙান তোঙানবা ৱাহৈশিং হায়জিন্দুনা অমনা অমবু লান্না উহল্লি।

# পেট্রোল অমসুং দিজলদা লৌরিবা টেক্স ককথনবা লৈঙাক্না ৱাখল খনবগী মতম ওইরে : মিনিষ্টর অনুরাগ ঠাকুর

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৫ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎখিবদগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী য়েংলগা সেন্তর অমসুং ষ্টেটনা পেট্রোল অমসুং দিজলদা লৌরিবা টেক্স হন্থহন্নবগীদমক ৱাখল খন্থবগী মতম ওইরে হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ফাইনান্স অনুরাগ ঠাকুরনা ফোঙদোরক্লি।



লোক সভাদা হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সেন্তরনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টকী মতাংদা খন্নবগীদমক শেম শাদুনা লৈরে। গুদস এন্দ সার্ভিস টেক্সকী মতাংদসু খন্নবা হৌরগনি।

সেন্তরগী মায়কৈদগী পেট্রোল অমসুং দিজলদা লৌরিবা টেক্স হন্থহন্নবগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা খন্নবা হৌখ্রে। মরম অদুনা ষ্টেট ষ্টেটশিংনসু পেট্রোল অমসুং দিজলদগী লৌরিবা টেক্স হন্থহন্নবা খন্নবগী মতম ওইরে হায়রি।

পেট্রোল অমসুং দিজলদগী সেন্তরনা এক্সসাইজ দ্যুটিগী ওইনা টেক্স লৌরি অদুগা ষ্টেটনা পেট্রোল অমসুং দিজলদা ভেল্যু এদেদ টেক্স এপ্লাই তৌরি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংদগী লৌরিবা টেক্সশিং হন্থহনগদবনি। সেন্তরনসু পেট্রোলিয়ম প্রদক্টতগী লৌরিবা টেক্স হন্থহন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মমাঙ চহীগী মার্চ থা ফাওবদা ক্রুদ ওইলগী মমল অসি বেরেল অমদা দোল্লর ১৯ গী চাংদা ওইখি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মরক অসিদা হৌজিক হৌজিক ক্রুদ ওইলগী মমল বেরেল অমদা দোল্লর ৬৫ গী চাং য়ৌখ্রে।

হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল হেনগৎখিবদগী থেংনরিবা অৱাবা কোকহন্নবগীদমক ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা খন্নরি। অদুবু প্রোব্লেম অমদি সোল্যুসন পুরক্নবা হোৎনবদা মতম খরা চঙবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নবনি।

লৈবাক অসিগী মীয়াম্না মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং খরদা ওইরবসু খহন্নবা হোৎনবদা সেন্তর অমসুং ষ্টেটকী মরক্তা তোয়না পাউ ফাওনবা মথৌ তাই। সেন্তর অমসুং ষ্টেটশিংনা য়ানরবদি পেট্রোল অমসুং দিজলদগী লৌরিবা টেক্স হন্থহনবা য়াই। নাকল অনীমক্তগী টেক্সকী শেনফম হান্না লৌরম্বা চাংদগী হন্থরবদি মীয়ামগী অৱাবা খরদা ওইরবসু কোকহনবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোন্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোন্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোন্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
HL-P/9231/15/3-16/4 Contact No. 6009147645/8014023792

## / পাইলসকী ওজা ABDUL HAQUE পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

পাইলসকী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা ঐগী হকচাং মতম শাংনা অৱাবা খাঙদুনা লাকখি। খোঙ হান্বদা য়াম্না লিকপা, কুইনা চঙবা, খোঙ হান্বদা চেখাইরগা শাবা-থুপ্পা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, হকচাং শোন্থবা, পাঙ্গল ৱাৎলকপা, থবাক ফুনগৎলকপা, পূক গ্যাষ্ট্রিক কাদুনা চাবা-থকপা য়াদবা, অমাংথোঙ মনুং অমসুং মপান্দা পোমদুনা য়াম্না নাবা, চিকপা-শাবা, খোঙয়া শাবা, খ্বাঙ নাবা, শৌজগী মপান্দা মঙ্গন মরূ মানবশিং লৈরকপা পূম্নমক অসি ঙসিদি অল্লাহগী থৌজালদগী ওজ াগা থেংনজবদগী অনাবশিং অসি মপূং ফানা ফজরে। ওজাবু অল্লাহনা মীয়ামগী সেবা পূন্সি শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না দুৱা তৌজরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-**
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)
Contact No. : 8794429681, 8014623756
*থাগৎচরিবা :* **Ch. Md. Helal**
HL-P/9095/16 Hatta, Golapati Maning Leikai

## / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুখবা, য়ূম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্না য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা খূদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূথাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ূক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
HL-B/6802/21/2-22/3 Near Community Hall, Imphal East

**/কোম ঙাওবা, খ্বাঙ নাবা, য়েৎকী শাগন নাবা হাইদোক-হাইজিন তৌবদা নুংঙাইতবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, পূক গ্যাষ্ট্রিক কারগা গ্যাষ্ট্রিক অদুনা কোইচেন চেল্লগা চিকপা-নাবা, মশলশিং অসি চিকপা-নাবা, পূকচেপ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, শিংলি-নাউরি শোনবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা কোক ঙাওবা অমদি চিকপা, কোক ঙাওরগা থবক করিমত্তা শুবা ঙমদবা, হকচাং অসি য়াম্না শোন্থবা, ঈংবা য়াদবা, য়েৎকী শাগন নাবা, হাইদোক-হাইজিন তৌবদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খূৎ-শাশিং ইনোপ্তা নোপ্লগা পোৎ অমা পায়বদা তাখিবা খঙহৌদবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা গ্যাষ্ট্রিক অদুনা কোইচেন চেল্লগা হকচাংগী মফম খূদিংদা চিকপা-নাবা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা, খ্বাঙ নারগা নোন্থবদা য়াম্না ৱাবা, মশলশিং অসি চিকপা-নাবা, কল্লাক মরী নাবা, কাময়াদা নাবা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা অমদি শ্বর হোনবসু ৱাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, শিংলি-নাউরি শোনবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী থুনা-থুনা চৎপা, শা-ঙা, থাউ, মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা হেনবা অমদি চিকপা-নাবসু হেনবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)
HL-B/6825/16 *থাগৎচরিবা :* **AK Anand Singh,** Uripok

**/খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা ইশাদা হেমোগ্লোবিন ৱাৎশিল্লকপা, খোঙ হান্বা লোইরগা হৌগৎপা মতমদা কোক ঙাওবা অমদি কল্লাক মরী নাবা ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওসদুনা, ঈ ৱাৎশিল্লকপা ফহনবগীদমক ওজা Azad পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা ইশাদা হেমোগ্লোবিন ৱাৎশিল্লকপা, খোঙ হান্বা লোয়রগা হৌগৎপা মতমদা কোক ঙাওবা অমদি কল্লাক মরী নাবা ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা, খোঙ হান্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা ঈ তাগনি খনবদা, নোংম-নোংমগী হকচাং শোকচিল্লকপা অমদি ময়েং তাশিল্লকপা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচরকপসু য়াওবা, অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ তোয়না হান্বা, পূক য়েক্ল-য়েক্লগা খোঙ হাম্নিং-হাম্নিং তৌরগা লৈবা, শংলগা অদুম লৈনিংবা, খোঙ তোয়না হাল্লগনা অমাংথোঙদা চাওথোকপা হেল্লকপা, খোঙ হান্বা মতমদা কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াওরকপা, কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াওরকপা মতমদা হকচাংদা চোকথ-ৱান্থবা হেনবা, খূমীৎ-খূদাং শিথবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, ঙকশম মরী নাবা, শায়েং অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাঙ নাবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননিংবা ইফাও ফাওদবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**ওজাগী লায়েংফমশিংদি :**
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)
HL-P/9323/16 *থাগৎচরিবা :* **Priyason Huidrom,** Wangoi